# মণিপুর ষ্টেট লীগ : ওইনাম মালেমঙানবগী গোলনা দি এম রাও চাওনা মায় পাকহনখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(ঐচএনএস): ওইনাম মালেমঙানবা মৈতৈনা চনখিবা গোল অনী অদুগা কেপ্টেন মনোহরময়ুম কবিরাজ অমদি ঙাথেম ইমর্সন মৈতৈনা চনখিবা গোল অমমম্গী মতেংনা দিমাপুর রোদ এথলেটিক ওর্গনাইজেসন (দি এম রাও) অৱাং সেকমাইনা অনৌবা ইমাগী মঙাল (এ আই এম) খাবম লমখাইবু লাকচনা ৪-০দা চথুরিবা ১৫শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ঙসি আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মায়থীবা পীখ্রে।

মালেমঙানবনা শান্নবা হৌরকপগী ১৬শুবা মিনটতা দি এম রাওগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা শান্নবগী ১৯ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনখি।

কেপ্টেন কবিরাজনা অনীশুবা হাফকী শান্নবগী ৬৯ শুবা মিনটতা অৱাং সেকমাইগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি অদুগা ইমর্সননা শান্নবগী ৭৩ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী ৪শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি প্রিয়োবর্তনা দি এম রাওগী ইমর্সন অমদি কেপ্টেন কবিরাজ শান্নবগী ৮ অমদি ৬১ শুবা মিনটতা অদুগা এ আই এমগী কেপ্টেন নাওরেম জেমস শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

অমরোমদা, ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুঠ ক্লবনা নোর্থ ইম্ফাল স্পোর্টিং এসোসিএসন (নিশা) থাংমৈবন্দবু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

ক্ষেত্রি ইরিল মপালগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু সোমিসোন সিরকনা শান্নবগী ৩৮ শুবা মিনটতা চনখি।

# দুরান্দ কপ : শিব শকথি, রোই কৃষ্ণগী গোলনা বেঙ্গলুরু সেমী চঙহনখ্রে




কোলকাটা, সেপ্টেম্বর ১০ (এজেন্সী): সবষ্টিট্যুট চঙলকখিবা নরায়ন শিব সকথি অমদি রোই কৃষ্ণনা চনখিবা গোলগী মতেংনা বেঙ্গলুরু ওফ সীনা ওরিষ্যা এফ সীবু ২-১দা ঙসি কোলকাটাগী কিশোর ভারাতি ক্রিরঙ্গনদা শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মায়থীবা পীদুনা ১৩১ শুবা ইন্দিয়ন ওইল দুরান্দ কপকী সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

টিম অনীনা শান্নখিবা মেটচ অসিগী নোর্মেল টাইমদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো ওইখি। মেটচকী মনুংদা রেফরিনা য়েলো কার্দ ৮ বূক তৌখিবগা লোয়ননা ওরিষ্যাগী সুভম সরঙ্গি শান্নবগী ৮৫ শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা য়েলো কার্দ বূক তৌখিবনি।

এক্সট্রা টাইমগী শান্নবদা শিব সকথিনা শান্নবগী ৯৮ শুবা মিনটতা বেঙ্গলুরুগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মোরিসিও দিএগোনা শান্নবগী ১১৫শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ১-১দা লৈহনখি। এক্সট্রা টাইমগী অরোইবা মিনটতা কৃষ্ণ রোইনা বেঙ্গলুরুগী মরু ওইবা গোল চনশিন্দুনা সেমীফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা ক্বার্টরদা মুম্বাই সিটি এফ সী অমদি চেন্নাইন এফ সীনা ভি ৱাই বি কেদা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬তা লম্বা তৌনরগনি।

### অহানবা ইম্ফাল ইষ্ট মাষ্টর এথলেটিক্স মীট হৌদোকখ্রে

# কুঞ্জরানী অমদি বিনোদিনীনা চহী ৮০, ৭০ মথক্কী শোট পুটতা গোল্ড লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মাষ্টর্স এথলেটিক্স এসোসিএসননা শীন্দুনা অহানবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মাষ্টর্স এথলেটিক্স মীট ২০২২ ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা লল্লাইগী এম এল এ, কে ঐচ ইবোমচানা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

মীট অসিদা নুপা ১০৯ অমদি নুপী ১৫৬ পূন্না এথলিট ২৬৫না শরুক য়ারি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী শোট পুট ইভেন্টতা টি ঐচ কুঞ্জরানীনা মিটর ৫.৫১ লংদুনা চহী ৮০ মথক্কী অদুগা টি ঐচ বিনোদিনীনা মিটর ৬.৫৫ লংদুনা চহী ৭০ মথক্কী গোল্ড মেদলশিং লৌবা ঙমখি। লোংজম বোরমণি, তখেল্লম্বম লিনা, ঐচ ইন্দুবালা, এস রোনিতা, এম নোলিনী, জি প্রেমিলা অমদি এস ইচননা চহী ৬৫, ৬০, ৫৫, ৫০, ৪৫, ৪০ অমদি ৩৫ মথক্কী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি।



নুপীগী কিলোমিটর ৫গী ৱাকিং রেসতা আই ইবেমহল, কে চোংনু, এন জি নিঙালৈ, এন জি ওংবী চম্পাজিনী, টি ঐচ ইবেমচা অমদি সকিলানা চহী ৬৫, ৬০, ৫৫, ৪৫, ৪০ অমদি ৩৫ মথক্কী কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

নুপাগী মিটর ১০০গী লমজেলদা লেটিপু কোমনা অহানবা অমদি ফুরিৎশাবম কালাচান্দনা অনীশুবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি।

## ষ্টেট সেপাক টাক্রো টিম লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(ঐচএনএস): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোলকাটাদা ওক্টোবর ১৬তগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩২ শুবা সিনিয়র নেসনল সেপাক টাক্রো চেম্পিয়নশিপ ফোর মেন্স এন্দ ৱিমেন্সতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবগী নুপা অমদি নুপীগী টিম ওল মণিপুর সেপাক টাক্রো এসোসিএসননা লাউথোকখ্রে।

খনগৎলবা নুপা শান্নরোয়শিং অদুদি সাই আর সীগী এল অমর্জিৎ, ঐচ অরুনকুমার অমদি ঈ লোখোন, এস দল্লিয়ু সীগী ঈ বিকাশ অমদি ঈ অমুজাও, পি য়ু সীগী পি হেপিসন, এম পি এস সীগী দল্লিয়ু জোন্সন, এম ইনাও, টি গোপেন, কে ঐচ হোলেন্দ্রো, এ প্রিয়োজিৎ অমদি টি ঐচ ইঙোবা, য়াৱাগী এল নিকেন, আই এম এস য়ু সীগী এম রিশিকান্ত অমদি এল জোননি।

নুপী শান্নরোয়শিং অদুনা এম পি এস সীগী ও জিম্মী অমদি জিনা এ কে, সাই আর সীগী ঈ সিল্পা, এল মমতা, এম জেনী, এল উশারানী, ঈ প্রিয়া অমদি টি মোনালিসা, এস দল্লিয়ু সীগী ও চাওবা, এস ইলিজাবেথ অমদি ঈ ওলিভিয়া, পি য়ু সীগী এল সঞ্জনা, এম সনধ্যরানী, দল্লিয়ু সনাজাওবী অমদি দল্লিয়ু প্রমোদিনীনি।

ষ্টেট টিম অসিগী ওফিসল ওইনা এ মহাবির, সী ঐচ গেসকান্ট, টি ঐচ মুহিন্দ্রো অমদি এন জি রাকেশ্বরনা কোচ অদুগা দল্লিয়ু জিতেন অমদি পি সুন্দরনা মেনেজর ওইনা শরুক য়াগনি। খনগৎলবা শান্নরোয়শিংনা এ এম এস টি এগী সেক্রেটরিদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

## ঐচ কে কে এস এ অমদি ৱাই দি সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(ঐচএনএস): দি এফ এ থৌবালনা শীন্দুনা কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স ৱাংজিংদা চথুরিবা এল মেমচা সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই দি সী খোইরোম্না দল্লিয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিংবু ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

এম কিষননা ৱাই দি সীগী মায় পাকপগী গোল অনীমক চনবা ঙমখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা ঐচ কে কে এস এ হাওখনা আর পি য়ু পাপলবু লাকচনা ৭-১দা থোইখ্রে।

হাওখগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ঐচ প্রদিপনা ৩ অদুগা টি দোনাল্ডোনা ২, এম দেরিল অমদি লমজিংবনা অমমম্ চনবা ঙমখি। পাপলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা ঐচ ললিতনা চনখি।

# ফাঞ্জৌবম সুমন্দ্রনা মিষ্টর য়াইরিপোক্কী টাইটল লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(ঐচএনএস): মণিপুর এমেচর বোদি বিল্ডর্স এসোসিএসন (মাবা)গী লমজিং মখাদা লময়ানবা জিম য়াইরিপোক্না শীন্দুনা ৯শুবা মিষ্টর য়াইরিপোক ২০২২ ঙসি তোপ চিংথা হৈক্রুমখোঙ কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ফাঞ্জৌবম সুমন্দ্রনা সিনিয়রগী ওভরওল চেম্পিয়ন অদুগা থাংজম গ্রিনসননা অহানবা রন্নর্স অপকী মনা ফংবা ঙমখ্রে।




হিজম সনাথোইনা জুনিয়র কাঙলূপকী অহানবা অদুগা খুনুময়ুম কবিনা অনীশুবা অমদি এম দি তারিকনা অহুমশুবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি। মেন ফিজিককী কাঙলূপ্তা ওইনাম লিবর্ট মৈতৈনা অহানবা অদুগা ফন্দোম জোন্সননা অনীশুবা অমদি সোইবম বিকোদোরনা অহুমশুবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা তুলিহল জিল্লা পরিষদ কে ইনাওচা, য়াম্বেমগী প্রধান এস বিমোল, তোপ চিংথাগী প্রধান ৱাই তোম্বনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা শরুক য়াখি।

# চান্দেলগী নুপী হোক্কী টিম পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০(ঐচএনএস): হন্দক্তা পাঙথোকখিবা অনীশুবা মণিপুর ওলিম্পিক গেমসতা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াখিবী নুপী হোক্কী টিমবু চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হোক্কী এসোসিএসননা শীন্দুনা জাফৌ বজারদা লৈবা মোৱার্নিং সুম্পি বিল্ডিং কনফরেন্স হোলদা ওকপগী থৌরম অমা ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা চান্দেলগী সুপরি-ন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস পান্দে হেমন্তনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা শান্নরোয়শিংদা অচম্বা খূদোল অমদি সর্টিফিকেটশিং খূৎশিন্নখি।


SMART
TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET
ADMISSION OPEN
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
BOSEM/COHSEM/CBSE Separate class
SCIENCE, ARTS & COMMERCE
MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
FOUNDATION COURSE 2022 & Revision course 2023 FOR CLASS X, XI & XII
CLASS START : 19th, 27th Sep., & 22th Oct. 2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
Experience Teachers from (FORMER & WORKING IN)
CBSE SCHOOL: UNACCO, MARIA MONTESSHRI, KV Lamphelpat, KANAN DEVI & SISHU SIKSHA NIKETAN
BOSEM/ COSHEM: MECI, COMET, XTRA EDGE, HERBERT, IPS & STANDARD ROBERT
HL-B/7821/9/9-6/11(alt)

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7775/1/9-1/10




LOAN AVAILABLE
# 2/4 Wheeler Loan
# Housing Loan
# Pension / Service Loan
# Loan Against Property
# Business Loan
# Electronics / Electrical Loan
Moirang, Nambol অমসুং Samurou গী ওইনা Office Asst. 2/2, Gr - IV, 2 Wheeler Mechanic, Car Driver, Car Wash Helper 2/2 পামজে।
Sd/- L.G. Finance
Khagempalli, Nambol, Thoubal, Kakching, Moirang and Samurou
# 8731978490 / 9774495994
HL-B/7804/19/8-16/10 (alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 569**

**K Bischoff (2545) - I Khenkin (2644)**
**80th ch-GER Saarbruecken GER (8), 2009.02.13**

1.Nf3 Nf6 2.c4 c5 3.g3 Nc6 4.Bg2 d5 5.O-O d4 6.e3 e5 7.exd4 cxd4 8.d3 Nd7 9.Ne1 Be7 10.b3 O-O 11.Ba3 Re8 12.Bxe7 Qxe7 13.a3 a5 14.Nd2 Nc5 15.Ne4 Ne6 16.Nd2 f5 17.Bd5 Kh8 18.Nc2 Nc5 19.Nf3 e4 20.dxe4 d3 21.Ne3 fxe4 22.Nd2 Bh3 23.Re1 Qe5 24.Rb1 Nd4 25.b4 axb4 26.axb4 Ra2 27.Kh1 Rxd2 28.Qxd2 Nf3 29.Qd1 Ne6 30.Nf1 Bxf1 31.Rxe4 Qh5 32.Rh4 Bg2+ 33.Kxg2 Nxh4+ 34.Kf1 Qf5 35.Rb3 Nf4 36.gxf4...

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 568 Ans. :**

34. ...Be4 The black bishop deflects White's knight away from protecting the square f1. 35. Nxe4 Rxh2+ Opening the line from f1 to h1. 36. Bxh2 Rf1+ The black rook moves out of the pin by White's queen against Black's queen. 37. Rxf1 Qxh2# Damiano's bishop mate
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com